
# গোল্ডন বুট ফংখ্রবা গ্রিজমেন্না য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী টিমদা য়াওখ্রে



পেরিস, জুলাই ১২ ঃ
ফ্রেঞ্চকী ফোরৱার্দ এন্টোনে গ্রিজমেনবু নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টকী এৱার্দ পীদুনা ঈকাই খুম্নখিবগা লোয়ননা মহাকপু য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী টিমগীদমক খনগৎখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা ফ্রেঞ্চনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা য়ুরো ২০১৬ তা পোর্টুগলগী মখূৎতা এক্সত্রা টাইমদা ১-০ দা মায়থীখিবা অদুদা গ্রিজমেননা ফ্রেঞ্চকী ওইনা টিমগীদমক গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা গ্রিজমেননা টুর্নামেন্ট অদুদা গোল তরুক চন্দুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না গোল চনবা প্লেয়র ওইখি। কুমজা ১৯৮৪ দা মাইকেল প্লাটিনিনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা গোল ৯ চনখিবা অদুগী মতুং গ্রিজমেননা গোল য়াম্না চনবা অনীশুবা প্লেয়র ওইখি।

অটলেটিকো মেদ্রিদকী ষ্ট্রাইকর অসিনা গ্রুপ ষ্টেজতা মহাক্কী লৈবাক্কীদমক অলবেনিয়াগা মায়োক্ন খিবা মেচ অমদি রাউন্দ ওফ সিক্সটিন দা আইরলেন্দগা শান্নখিবা মেচতা গোলশিং চনখি। অদুগা সেমী ফাইনেলদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন জর্মনিবু ২-০ দা মায়থীবা পীখিবগী গোল অদুসু মহাক্না চনখি।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী টিমদা পোর্টুগলগী ওইনা প্লেয়র মরি য়াওবা ঙমখি। অদুগা জর্মনিদগী প্লেয়র অহুম অমগা য়াওখি।

পোর্টুগলগী কেপ্তেন খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো, পেপে, রফেল গুরেরো অমদি গোলকিপর রুই আর্ট্রিসিও টিমদা য়াওখি। জর্মনিগী রিপ্রজেন্ট তৌখিবা প্লেয়রনা দিফেন্দর জোসুআ কিমিচ অমদি জেরোম বোতেং অমদি মিদফিল্ডর টোনি ক্রুসনি।

ৱেলসকী কেপ্তেন গরেথ বেলদি টিম অদুদা য়াওবা ঙমখিদে। মহাক্না মহাক্কী টিমগীদমক ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ুরো কপ্তা পুশিনখিবনি।

ৱেলসকী টিমদগী জোএলেন অমদি অরোন রামসে য়াওবা ঙমখি। ফ্রেঞ্চকীনা দিমিটি পায়েট অমদি গ্রিজমেন য়াওখি।

টুর্নামেন্টকী টিমদা য়াওরবা প্লেয়রশিং অদুদি গোলকিপরদা রুই পেত্রিসিও (পোর্টুগল), দিফেন্দরদা জোসুআ কিমিচ (জর্মনি), জেরোম বাওটে (জর্মন), পেপে (পোর্টুগল), রফেল গুরেরো (পোর্টুগল), মিদফিল্ডরদা টোনি ক্রুজ (জর্মনি), জো এলেন (ৱেলস), এন্টোনে গ্রিজমেন (ফ্রাঞ্চ), অরোন রামসে (ৱেলস), দিমিত্রি পায়ট (ফ্রাঞ্চ) অমসুং ফোরৱার্দতা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো (পোর্টুগল) নি।

অমরেমাদা, ফ্রেঞ্চকী মশক থোক্লবা প্লেয়র অমদি এথলেটিক্স মেদ্রিদকী ষ্টার এন্টোনে গ্রিজমেননা নোংমাইজিং নুমীৎতা লোইশিনখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬ তা গোল তরুক চনবা ঙমখিদুনা গোল্ডন বুটকী মনা লৌখি।

গ্রিজমেননা য়ুরো কপ ২০১৬ কী ফাইনেলদা ফ্রেঞ্চপু টাইটল লৌবা ঙমহনখিদ্রবসু গোল মশিং য়াম্না চনবা ঙম্বা প্লেয়র ওইদুনা গোল্ডন বুটকী এৱার্দ লৌবা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্স জর্মনিবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা গ্রিজমেননা গোল অনীমক অদু চন্দুনা টাইটলগীদমক ফ্রেঞ্চপু ফাইনেলদা পুশিনখি। ফাইনেলদা নিংথিনা ওর্গনাইজ তৌরবা পোর্টুগল টিমসু নমথনবা হোৎনবদা মশাগী চহী ২৫ শুরবা গ্রিজমেননা অৱাবা ওইখিবদা নত্তনা পোর্টুগলবু নমহৎপা ঙমখিদে।

গোল্ডন বুট ফংখ্রবা গ্রিজমেনা হায়খি, বুট অসি ফংবদা অপেনবা পোকই অদুবু টিমনা হেন্না লুনা লৌবনা পোর্টুগলগী মখুৎতা মায়থীহৌবদা নিংঙমদবা পোকই। ঐহাক্কী টিমমেটশিংগী খল্লুবদা নুংঙাইবা ঙমদে। ট্রোফি অদু লৌবা ঙম্নবা হোৎনখ্রবসু গোল চন্নবগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংখিদে। ঐখোয়না ফাইনেলমেচ অদুদা লৈজবী পুম্নমক পুথোক্তুনা শান্নখিবনা মায়থীহৌরবসু থোয়না নিংঙমদবদি লৈতে। মায় পাকপা অমদি মায়থীবা হায়বসি শাগোন্ননা চৎপনা অনীমক খঙবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# রিও ওলেম্পিক্স হৌদোকপগী থৌরম মাঙওইননা শান্নরোয়শিংগী কিটসশিং ফংহনগনি ঃ আই ও এ

ন্যু দেল্লি, জুলাই ১২ ঃ চহীসিগী ওগষ্ট ৫ দগী রিও দি জানৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদা ওলেম্পিক্সকী ওপনিং সেরেমোনি মাঙওইননা কিটসশিং ফংহনগনি হায়না ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন (আই ও এ) না থাজবা পীখ্রে।

চহী মরি মরি লৈরগা পাঙথোকপা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মশান্নশিংগী কম্পিটিশন অমা ওইরিবা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা শান্নরোয়শিংদা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন্না মতম চানা কিটসশিং ফংহন্দুনা লাক্লি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স অসিগী ওপনিং সেরেমোনিগী মাঙওইননা কিটসশিং ফংহন্নবগীদমক ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন্না য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়রি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ওইনদি রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদৌরিবশিংগীদমক মাঙজৌননা কিটসশিং শেম শাবা লোইনখ্রে। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন্না হৌজিক মতম চানা শান্নরোয়শিংদা কিটসশিং ফংহন্নবগীদমক য়াম্না কন্না থবক পায়খৎলি।

য়াম্না লুরিবদি লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদৌরিবা এথলেট পূম্নমক ইন্দিয়াদা লৈতবা অসিনি। শান্নরোয় খরদি ফোরেন কন্ত্রিশিংদা য়াম্না কন্না রিও ওলেম্পিক্সকীদমক ত্রেনিং তৌবা কয়া য়াওরি। মসিগী মথক্তা




ফোরেন্দা ত্রেনিং তৌরিবা শান্নরোয় কয়া ইন্দিয়াদা শুংহন হল্লক্তনা রিওগীদমক চৎখিগদবা কয়া অমসু য়াওরি। হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসিগী কিটসশিং মতম চানা ফংহনবা ঙমগদ্রা হায়বা অসি অরুবা ৱাহং অমা ওইদুনা লৈরি।

মপান্দা লৈখিবা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংনা রিও ওলেম্পিক্সকী ওপনিং সেরেমোনি মাঙওইননা কিটসশিং ফংনবা হোৎনবদা য়াম্না খুদোংচাদবা ওইবসু য়ানা লৈরি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন (আই ও এ) না রিও ওলেম্পিক্সকী ওপনিং সেরেমোনি মাঙওইননা মতম চানা শান্নরোয় অমসুং ওফিসল খুদিংমক্তা কিটসশিং ফংহনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমখি।

লৈবাক অসিগী ৱাংমদা লৈখিবা শান্নরোয়শিংগী ওইনদি মখোয়গী কিটস অদু ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন্না নৎত্রগা মখোয়গী মরী লৈনবা ফেদরেশনগী ওফিসলশিংনা পুরগা চৎকনি। শুটিং মশান্নগী ওইনদি রিও তম্না অদুমক চৎকনি। অতোপ্পা মশান্নশিংগী কিটসশিং অথুবা মতমদা য়েন্থোক্লগনি।

আর্চরশিংগী ওইনদি মখোয়গী প্লেয়িং কিটসশিং হান্ননা পীখ্রে। অদুম ওইনমক হৌদোকপা থৌরমদা মখোয়না শেৎ-চাগদবা ইন্দিয়ন কন্টিনজেন্টকী য়ুনিফোর্ম অদুসু অথুবা মতমদা পীথোক্লগনি হায়না ইন্দিয়ন কন্টিনজেন্টগী চীফ দি মিশন রাকেস গুপ্তনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন্না এথলেটশিংগী কিটসশিং অমদি ইন্দিয়ন কন্টিনজেন্টকী য়ুনিফোর্মশিং অদু জুলাই ৩০ ফাওবদা য়েন্থোক্লবা পান্দম থল্লি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংবু সপোর্ট তৌনবগীদমক রিও ওলেম্পিক চৎকনি ঃ বিজেন্দর

ন্যু দেল্লি, জুলাই ১২ ঃ
ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা প্রোফেসনল বোক্সর বিজেন্দর সিংহনা রিও ওলেম্পিক্সতা চৎতুনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংবু সপোর্ট তৌবগা লোয়ননা মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মল্টি স্পোর্টিং ইভেন্ট অমা ওইরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা বিজেন্দর মশামক চৎতুনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংবু পূক্নিং থৌগৎলুনবা অমদি মহাক্কী মায়কৈদগী পাঙবা য়াবা মোরেল সপোর্টশিং পাঙগনি । ওগষ্ট ৫ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুমখক্তমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

রিও ওলেম্পিক্স অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মশীং য়াম্না হন্থনা ক্বালিফাই ওইবা মরম্না মখোয় অহুম অসিগী মনুংদা মেদল খরা লৌনবা হোৎনহন্নবগীদমক মহাক মশানা শেল পুথোকচদুনা রিওদা চৎতুনা ইন্দিয়াগী টিম অসিবু সপোর্ট তৌগনি।



হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্স অসিদা সিব থাপ্পানা বেন্টাম ৱেথতা, মনোজ কুমারনা লাইট ৱেলটর ৱেথতা অদুগা বিকাস কিষননা মিদল ৱেথতা শরুক য়াগনি।

কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা বৈজিং ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী অহানবা বোক্সিংগী মেদল লৌবা ঙমখ্রবা বিজেন্দর সিংহনা মহাক মশা প্রোফেসনল সার্কুইটতা লৈখ্রবসু মহাক্না ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা হৌজিকসু শরুক য়ারি।

বিজেন্দরনা মখা তারদুনা, প্রো বোক্সিং অসিদদি খেন্নবা কয়া লৈরে। স্কিল সেট, ফুট ৱার্ক অমদি দিফেন্সতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা কয়া প্রো বোক্সিংদদি খেন্নবা কয়া লৈরকই। হৌজিক হৌজিকমকসু মহাক প্রো বোক্সিং অসিদা পার্ফেক্ট ওইবা নৎত্রি। প্রো বোক্সিং অসিদা মহাক চঙলবসু হৌজিক হৌজিক মহাক্কী মকোক অসি লুকথদুনা নুমিৎ খুদিংগী ত্রেনিং তৌবা লেপত্রি।

রিওদা হেক থুংবগা মহাক্না ইন্দিয়াগী মরু ওইনা বোক্সরশিংবু হকথেংনন্না উন্দুনা মখোয়বু মোরেল সপোর্ট পীগনি। চহী মরি-মরি লৈরগা য়াম্না তাঙনা পাঙথোকপা মালেমগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী কম্পিটিশন অমা ওইরিবা ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা বৈজিং ওলেম্পিক্তগী হৌরগা লেপ্তুনা মেদল লৌদুনা লাক্লি। হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্স অসিদসু ইন্দিয়ানা তাথদনা মেদল লৌদবা য়াদে হায়বসি ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংদা চেৎনা থাজবা থমগদবনি। হৌখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী বোক্সর তরুক্না শরুক য়াখিবনি। অদুবু হন্দক্কী রিওদদি শুপ্নগী বোক্সর অহুমখক্না শরুক য়ারি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী এথলেট রেঞ্জিথ মহেশ্বরি, জিন্সন জোন্সন, ধরম্বির সিংহ রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে




বেঙ্গলুরু, জুলাই ১২ ঃ
ভেটরান ট্রিপল জম্পর রেঞ্জিথ মহেশ্বরি, রন্নর জিন্সন জোন্সন অমসুং ধরম্বির সিংহনা মফম অসিগী শ্রী কান্টিরভা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা মরিশুবা গ্রান্দ প্রিদা মশক থোক্লা মখোয় মখোয়গী ইভেন্টশিংদা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রে।

রিও ওলেম্পিক্স ক্বালিফিকেসনগী অরোইবা ওইনা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুদা ট্রিপল জম্পর রেঞ্জিথ মহেশ্বরি অমদি মিটর ২০০ গী লমজেল্লোই ধরম্বির সিংহনা নেসনল রেকোর্দশিং থুগাইখি অদুগা জিন্সন জোন্সননা মিটর ৮০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়ন অমনা খ্বাইদগী য়াঙনা চেনবা অনীশুবা এথলেট ওইবা ঙমখিদুনা রিও ক্বালিফিকেসনগী মার্ক অদু মায় পাক্না য়ৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা হরিয়ানা মচা ধরম্বির সিংহনা মিটর ২০০ গী লমজেলদা ২০.৪৫ সেকেন্দ য়াঙনা চেন্দুনা রিওগী ক্বালিফিকেসন মার্ক ২০.৫০ সেকেন্দ অদু লান্থোকপা ঙমখি। মহাক্না মমাঙ চহীদা চিনাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপতা ২০.৬৬ সেকেন্দ চেন্দুনা থমখিবা নেসনল রেকোর্দ অদুসু থুগাইখি।

ওলেম্পিক্সকী মিটর ২০০ গী ইভেন্টতা ইন্দিয়া মচা অমনা শরুক য়াগদৌরিবা অসি ধরম্বিরনা চহী ৩৬ কী মতুংদা অহানবসু ওইরগনি। কুমজা ১৯৮০ গী মোস্কো সম্মর ওলেম্পিক্স গেমসতা তামিল নাদুগী পেরুমাল সুব্রামনিয়মনা মিটর ২০০ গী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অরোইবা এথলেট ওইনা শরুক য়াখিবনি।

অমরোমদা, মশাগী চহী ৩০ শুরবা কেরলাগী রেঞ্জিথ মহেশ্বরিনা কুমজা ২০১১ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ট্রিপল জম্পতা নো মার্কস য়ৌবা ঙমখিদবদগী হন্দক্কী গ্রান্দ প্রি অসিদা মতিং লৈনা পার্ফোর্মেন্স উৎখিদুনা মিটর ১৭.৩০ শান্না চোংদুনা রিওগী ক্বালিফিকেসন মার্ক ওইরিবা মিটর ১৬.৮৫ বু য়াম্না লায়না লান্থোক্তুনা অনৌবা নেসনল রেকোর্দসু থমখি।

কুমজা ২০১৪ দা অরপিন্দর সিংহনা মিটর ১৭.৭০ চোংদুনা নেসনল রেকোর্দ থমখিবনি।

রেঞ্জিথ মহেশ্বরিনা কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখ্রে। মহাক্না মমাঙ চহীদগী হৌনা মহাক্কী অহুল্লকশুবা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবগীদমক হোৎনরকখ্রবসু রিওগী ক্বালিফিকেসন মার্ক য়ৌবা ঙমদনা লাকখি। মহাক্না অরোইবা ওইনা চেন্নাইদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা মিটর ১৬.৯৮ চোংখিবা অদুনা খ্বাইগী ফজবা ওইরি।

রেঞ্জিথ মহেশ্বরিনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা পাঙথোকখিবা গ্রান্দ প্রিগী অহুমশুবা রাউন্দদা মিটর ১৬.৯৩ শান্না চোংদুনা রিওগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। মহাক্না রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়াদ্রিঙৈ মাঙওইননা চয়োল অহুম নৎত্রগা মরিগী ওইবা ট্রেনিংগীদমক থাইলেন্দদা চৎলবা য়ারি।

নাকল অমরোমদা, মিটর ৮০০ গী নুপাগী লমজেলদা কেরলাগী জোন্সননা ১:৪৫.৯৮ সেকেন্দ চেন্দুনা মহাক্কী লমথুংফম য়ৌখিদুনা রিওগী ক্বালিফিকেসন মার্ক ১:৪৬:০০ অদু য়াম্না লায়না লান্থোকপা ঙমখি। মশাগী চহী ২৫ শুরবা জোন্সন মিটর ৮০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়া মচা অমনা খ্বাইদগী য়াঙনা চেনবা ঙম্বা অনীশুবা এথলেট ওইরি। হৌখিবা চহী ৪০ রোমগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা মোন্ট্রিল সম্মর ওলেম্পিক্সতা শ্রীরাম সিংহনা ১:৪৫:৭৭ সেকেন্দ চেন্দুনা তরেৎশুবা মফম কনখিবা অদুদগী হৌজিক ফাওবদা রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমদনা লাক্লিবনি।

# ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ৱর্ল্ড কপ কবাদ্দি পাঙথোক্লগনি

চান্দিগর, জুলাই ১২ ঃ
ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পঞ্জাবতা লাক্লিবা নবেম্বর ৩ দগী ১৭ ফাওবা ৬ শুবা ৱর্ল্ড কপ কবাদ্দি (দব্লিয়ু সি কে) ২০১৬ পাঙথোক্লগনি হায়না পঞ্জাবকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুখবির সিংহ বাদলনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

পঞ্জাবকী মফম ১৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ কবাদ্দি অসিগী হৌদোকপা নুমিৎকী থৌরমনা রুপনগরদা পাঙথোক্কনি। অদুগা লোইশিনবগী থৌরমদা ফজিলকাগী জলালাবাদতা পাঙথোক্কনি।

স্পোর্টসকী পোর্টফোলিওসু পায়রিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱর্ল্ড কপ কবাদ্দি য়ূম্বু ওইবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

মীফম অদুদা পঞ্জাব কবাদ্দি এসোসিএশন অমদি সেনিয়র ষ্টেট ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুনা ৱর্ল্ড কপ কবাদ্দিগী ওর্গেনাইজিং কম্মিটি অমসু শেমখি।

মীফম লোইরবা তুংদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুখবির সিংহ বাদলনা হায়খি, ৱর্ল্ড কপকী মেচশিং দিষ্ট্রিক্ট ১৪ দা লৈবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেদিয়ম ১৪ দা পাঙথোক্কনি। মেগা ইভেন্ট অসিদা লৈবাক ১৪ গী নুপা অমদি নুপী টিমনা শরুক য়াদুনা টাইটলগীদমক লম্বানগনি হায়না ফোঙদোকখি।




মহাক্না মখা তারদুনা হায়, নুপাগী কেটেগোরিদা ৱিন্নর ওইবা টিম অদুনা লুপা ক্রোর অনী ফংগনি অদুগা রন্নর্স-অপ তাবা টিমনা লুপা কোর অমা ফংগনি। নুপীগী কেটেগোরিদা টাইটল লৌবা ঙম্বা টিম অদুনা লুপা ক্রোর অমগী মনা ফংবগা লোয়ননা রন্নর্স-অপ তাবা টিমনা লুপা লাক্ষ ৫১ গী মপু ওইগনি।

নুপা অমদি নুপীগী অপূনবা প্রাইজ মনি অসি লুপা ক্রোর ৭ নি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেটকী মরী লৈনবা ওফিসরশিংদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগীদমক সিক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্ট, ট্রান্সপোর্টেসন, ট্রাফিক অমদি একোমোদেসনগীদমক থবক পায়খৎননবা ইন্সত্রক্সন পীখি।

ইভেন্ট অসিবু মায় পাক্না পাঙথোক্ননবা অমদি দ্রগ শীজিন্নবদগী লাপথোক্নবগীদমক নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা) দা দোপ টেষ্ট তৌনবগীদমক লুপা লাক্ষ ৪০ গী শেনফমসু সেঙ্কসন তৌখি।

মহাক্না হায়খি, টুর্নামেন্ট চথরিঙৈ মনুংদা প্লেয়রশিং দোপ টেষ্ট তৌগনি। করিগুম্বা মদুদা পোজিটিব ওইবা য়াওরম্বা প্লেয়রশিং মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

টুর্নামেন্ট অদুগীদমক এন্টি দোপিং কম্মিটি অমসু শেমখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা প্লেয়রশিং দ্রগতগী লাপথোক্না লৈননবসু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা আপিল তৌখি।

# দেনেস রামদিনবু ৱেষ্ট ইন্দিজগী টেষ্ট স্কাদতগী লৌথোকখ্রে



সেন্ট জোন্স, জুলাই ১২ ঃ ৱেষ্ট ইন্দিজনা ইন্দিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা টেষ্ট মেচ মরিগী সেরিজগীদমক স্কাদ অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখিবদা দেনেস রামদিন য়াওখিদ্রে। রামদিননা মহাকপু টেষ্ট টিমগী স্কাদতা য়াওরকখিদবদা পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সোসল মিদিয়াদা মহাক্কী পেন্দবা ৱাফমশিং থমখি।

টেষ্ট মেচ অসি জুলাই ২১ দগী লাক্লিবা ওগষ্ট ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি। রামদিননা মহাক্কী লৈবাক্কী ৱান দে ইন্টরনেসনল স্কাদতা য়াওদুনা মহাক্কী পার্ফোমেন্সশিং পীদুনা লাকখি। হন্দক্ত লৈবাক অহুমগী ট্রাই নেসন সেরিজদা রন্নর্স-অপ তাহৌখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কাদতা রামদিনসু য়াওখিবনি।

হায়রিবা ট্রাই নেসন সেরিজ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি সাউথ অফ্রিকাসু শরুক য়াখি। ইন্দিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট মেচকীদমক লাউথোকখ্রবা স্কাদতা মশাগী চহী ৩২ শুরবা রাইট আর্ম ফাষ্ট বোলর জেরোম টেলর য়াওবা ঙমখিদ্রে।

পনবা য়াই, জেরোম টেলরনা টেষ্ট মেচতগী রিটয়ার্দ তৌরে হায়না মমাঙদা লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি।

টেলরনা ৱেষ্ট ইন্দিজগীদমক টেষ্ট ৪৬ শান্নখ্রে। অমদি ৱিকেট ১৩০ সু লৌখি। মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা বোলিংদা কুমজা ২০১৫ দা সাবিনা পার্কতা ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচতা রন ৪৭ পীরগা ৱিকেট তরুক লৌবা ঙমখিবা অদুনা ওইরি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কাদতা য়াওরিবা মেম্বরশিং অদুদি জাসন হোলদর (কেপ্তেন), ক্রাইগ ব্রাথৱেইট, দেবেন্দ্র বিশো, জর্মিন ব্লেকৱুদ, কালোস ব্রাদৱেইট, দরেন ব্রাবো, রাজেন্দ্র চন্দ্রিকা, রোষ্টোন চেজ, সেন দোৱিচ, শামন গাব্রেল, লিওন জোনসন অমদি মার্লোন সামুএলনি।

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রজিব রামনা ন্যুপোর্টস গ্রাস কোর্টতা মায় পাক্না খুমাঙ চাউশিনখ্রে



ন্যুপোর্ট, জুলাই ১২ ঃ
দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রজিব রামনা মফম অসিদা চথরিবা হোল ওফ ফেম টেনিস চেম্পিয়নশিপকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা ওপনিং রাউন্দদা অমেরিকাগী মকেঞ্জি মেকদোনেলবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ন্যুপোর্টস গ্রাসকোর্টকী অনীরক ৱিন্নর ওইখ্রবা অমদি কুমজা ২০০৯ দা মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা এ টি পি টাইটল লৌখিবা রামনা অমেরিকান অদুবু মায়থীবা পীবদা মিনিট ৬৫ চঙখি। মশাগী চহী ৩২ শুরবা রামনা অহানবা সেট অদু মিনিট ৩৩ চঙনা শান্নদুনা ৬-২ দা মায় পাকখি।

মেচ লোইরবা মতুং মহাক্না হায়, ঐনা ন্যুপোর্টতা অমুক হন্না হল্লকপদা নুংঙাইবা পোকই। ঐনা মফম অসিদা টাইটল অনীরক লৌখ্রে। চহী খুদিংগী ঐনা মফম অসিদা লাক্তুনা শান্নরি। মসিমক ঐগী খ্বাইদগী পামজবা অখন্নবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা মেচতা টোপ সীদ ষ্টেব জোনসন্না মহাক্কী অহানবা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদবা মেচ বাই ফংখ্রে। হৌজিক কেরিয়র বেষ্ট ওইনা রেঙ্ক নম্বর ২৫ শুবদা লৈরিবা ষ্টিব জোনসন্না মাঙজৌননা বাই ফংখিবনা মঙোন্দা মথং রাউন্দগীদমক খুদোংচাবা লৌবা ঙম্লগনি।

অতোপ্পা মেচকী অহানবা রাউন্দগী প্লেদা নম্বর ৮ শুবা সীদ দোনেল য়ঙনা অমেরিকাগী জরেদ দোনাল্ডসনবু ৬-১, ৬-৩ দা, ইজরেলগী দুদি সেলানা স্লোভাকিয়াগী লুকাস লাকোবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

স্বিটজরলেন্দগী মার্কো চিয়ুদিনেল্লিনা কনাদাগী মঙাশুবা সীদেদ বাসেক পোসপিসিলগা শান্নগদবা অদু পোসপিসিলনা মশাগী অনাবা লৈবদগী ৱিথদ্রো তৌখিবদগী মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।